# এসিয়ন গেমসকী নুপী হোক্কীগী চাংদম্নবদদি ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী টিমসু থোইনা চোম্লদি ওইরকখিদে



রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

**এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম**

১৩ শুবা বেঙ্কোক এসিয়ন গেমসকী কোরিয়াগা শান্নখিবদদি ইন্দিয়ন টিম কোরিয়াগী মখূৎতা ৫-০ দা মায়থীবা নংখি। মঙাশুবা মেচ ওইনা কজাখষ্টানগা থেংনখিবদনা ইন্দিয়ানা ৬-১ দা থোইবা ঙমখি। তরুকশুবা মেচ ওইনা জপানগা শান্নখিবদদি চপ মান্নবা লম্বা ওইদুনা কৃক কৃক ইন্ননা শান্নখি। টিম অনীমক ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী টিমনা খরা হেন্না কনশিন্না শান্নবা য়ারম্বদু ইন্দিয়ন টিমগী মরুওইবা প্লেয়র অমা ওইখিবা ফুল বেক প্লেয়র অমা ওইখিবা শান্তি কৌর শান্নবা হৌরকপা মতমদা য়েল্লো কার্দ অমা চাখিবদগী থৌনা ফনা লৈজবা মতিং ফুদোক্তুনা শান্নবা ঙমখিদে। জপান টিমদি হান্নদগীসু খরা অরিঙবা টিম ওইনা লাকখি। অদুবু মমাঙদা শান্নখিবা মেচশিংদা স্কোর ফজনা তৌবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী টিম ফাইনেল চঙবদি ইরায় লায়না ঙমখি। বেঙ্কোক এসিয়ন গেমসকী (১৯৯৮) ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী ফাইনেলদা থেংনখিবসি সাউথ কোরিয়াগনি। মদুদা সাউথ কোরিয়ানা ২-১ দা মায়থীবা পীরম্বদগী ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী টিম সিলভর মেদল ফংলকখি। মথং ২০০২ দা চথখিবা বুশাস এসিয়ন গেমসতদি মরিশুবা পোজিসনদা হাইথরকখি।

লাইবক থীবা অমনা ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী টিম অসি ১৯৯৮ গী বেঙ্কোক এসিয়ন গেমস অদুদা সনাগী মেদল ফংলম্লগদি সিদনি ওলিম্পিক ২০০০ দা ওলিম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইরমগদবনি। অদুবু সিলভর মেদল ফংলকখিবা অদুনা সিদনি ওলিম্পিকতা য়াওবগী খুদোংচাবা ফংখিদে। অদুবু, অরোইবা থাক ফাওবা ইন্দিয়ন টিম ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইনবদি হোৎনখি। কুমজা ২০০০ গী মার্চ ২৪ দগীনা এপ্রিল ২ ফাওবা ইংলেন্দদা পাঙথোকখিবা ৱিমেন ক্বালিফায়িংদা ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী টিমসু মালেমগী লৈবাক কয়াগা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অদুগুম্বা ইন্দিয়ন টিম অদুদা মণিপুরদগীসু নুপী শান্নরোয় মরি য়াওখি। ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী টিমদা য়াওখিবা শান্নরোয়শিংদি মথংশিৎনা ক্ষেত্রিময়ুম তিঙ্গোংলৈমা, অমনদিপ কৌর, মেরিষ্ট্রেলা টিরকে, মনোরামা গোস্বামী, সুনিতা দলাল, ৱাইখোম সুরজলতা, নেহা সিংহ, সুমরাহ টেটে, মমতা খারাব, কমলা দলাল, জয়োটি সুনিতা, কল্লু, হেলেন মেরি, কান্তিবা, ফর্দিনা হক্কা, ঙাশেপ্পম পাকপী অমসুং সুরিন্দর কৌরনি। ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং অদুদা শরুক য়াখিবা লৈবাকশিংদি - চাইনা, জর্মনি, গ্রেট বৃটেন, আইরলেন্দ, ইন্দিয়া, জপান, ন্যু জিলেন্দ, রসিয়া, স্পেন অমসুং য়ু এস এনি। অদুগুম্বা সিদনি ওলিম্পিক ২০০০ গী ক্বালিফায়িং অদুদা ইন্দিয়ন ৱিমেন টিম মায় পাকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ওলিম্পিক এরিনা য়ৌবা ফংখিদে।

অদুগা, এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী টিমনা করম্বা থাক্তা মথং মথং লৈরকখিবগে হায়বা তারগদি, মাপনশুবা এসিয়ন গেমস ১৯৮২ (ন্যু দিল্লি) দা ৱিন্নর ওইখি। হায়রিবা মতমদুদা রন্নর্স অপ তাখিবসিনা সাউথ কোরিয়ানি। থর্দ অমদি ফোর্থ পোজিসনদা লৈখিবসিনা মলেসিয়া অমসুং জপাননি। ১৯৮২ গী এসিয়ন গেমসতা ফোর্থ পোজিসন তাখিবা জপান টিম অসি হন্দক চহীদা পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসতদি ফর্ষ্ট রেঙ্কতা হাইগৎলকপা ঙমদুনা এসিয়ন গেমসকী ৱিমেন হোক্কীগী চাংদম্নবদা সনাগী মেদল লৌখি। ১৯৮৬ তা সাউথ কোরিয়া (সিওল) না হোষ্ট টিম ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা এসিয়ন গেমসতা ৱিন্নর ওইখিবসিনা সাউথ কোরিয়ানি। অদুগা রন্নর্স অপনা জপাননা তাখি। থর্দ অমদি ফোর্থনা ইন্দিয়া অমদি মলেসিয়ানা লৌখি।

কুমজা ১৯৯০ গী ১১ শুবা বৈজিং এসিয়ন গেমসতসু সাউথ কোরিয়ানা ৱিন্নর ওইরগা চনাইনানা রন্নর্স অপ তাখি। অদুগা, জপাননা থর্দ পোজিসন তাখি। কুমজা ১৯৯৪ গী হিরোসিমা এসিয়ন গেমসতসু সাউথ কোরিয়ানা ৱিন্নর অদুম ওইখি। অদুগা জপাননা রন্নর্স অপ তাখি। থর্দনা চাইনানা তাখি। ১৯৯৮ গী ১৩ শুবা বেঙ্কোক এসিয়ন গেমস অদুদসু মরিরকশুবা ওইনা সাউথ কোরিয়া অদুমক ৱিন্নর ওইখি। চহীদুদা ইন্দিয়াগা সাউথ কোরিয়াগা ফাইনেল শান্নখি। মদুদা ২-১ দা মায়থীবা পীরম্লগা কোরিয়ানা ৱিন্নর ওইরগা ইন্দিয়ানা রন্নর্স অপ তারকখি। মসিগী মখা তারকপা ২০০২ গী বুশান এসিয়ন গেমসতদি চাইনাগী নুপী হোক্কী টিমগা সাউথ কোরিয়াগা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। হায়রিবা চহীদুদদি চাইনানা সাউথ কোরিয়াবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা, সাউথ কোরিয়ানা রন্নর্স অপ তাখি। থর্দ অমদি ফোর্থনা জপান অমদি ইন্দিয়ানা তাহৌখি। চহীদুদা ইন্দিয়ন ৱিমেন টিম ফোর্থ রেঙ্কতা হাইথরকখি।

*মথং মথং ...*

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৮

১। মহাক ৱর্ল্ড রেকোর্দ অহুল্লক থুগাইখি, এসিয়ন গেমস অহানবা ওইনা শরুক য়াবদা হান্নগী রেকোর্দ থুগাইদুনা সনাগী মেদল ফংখি। এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অনীরক, এসিয়ন গেমস অনীরক্তা সনাগী মেদল ফংখিবা, এসিয়ন রেকোর্দ চহী ২৫ হেন্না পায়খিবা এথলেট অদু কনানো?

২। অসাম ওলেম্পিক এসোসিএসনগী অহানবা প্রসিদেন্ট (ফাউন্দর প্রসিদেন্ট) অদু কনানো?

৩। মহাক ওলেম্পিক্কী থৌরম অহুমদা মকোক ওইখি। থৌরম অমদা অনীশুবা তাখি। মরৈবাক্তা হল্লক্লবা মতুংদা কম্পিটিসন য়াওবা চহী অনী থিংখি। নাজিগী কন্সেনত্রেসন কেম্পতা অনীশুবা লাঞ্জাওদা শিখি। মহাক জিউনি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪। মহাক্না অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংখি। মদুদা অনীশুবা তাখিবা লমজেল্লোয় অদুগা রেকোর্দ চপ মান্নখি। মথংগী ওলেম্পিক গেমসতসু অনীশুবা তাখিবা লমজেল্লোয় অদুগা রেকোর্দ চপমান্ননা লমথুংফম য়ৌখ্রবসু মহাক্না মকোক ওইখিবা লমজেল্লোয় অদু কনানো?



৫। ফুটবোল টিম অনীগী শান্নরোয়শিংগী পূন্না নমিন্নবা ফোটো অমা পীরিবা অসিদা টিম অমদি নামিবিয়ান লিজেন্দস (Namibian Legends) নি। অতোপ্পা টিম অসিগী মমিং পীয়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সাফ ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়ানা অহানবা মেচতা শ্রী লঙ্কাবু ২-০ দা থোইখ্রে



ধাকা, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী)ঃ

বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা লৈবা বঙ্গবন্ধু নেসনল ষ্টেদিয়মদা ঙরাংদগী হৌখিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি গ্রুপ বিগী অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসি চহী ২/২ লৈরগা পাঙথোকপা সাউথ ইষ্ট এসিয়া লৈবাকশিংগী ওইবা মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরি। অদুবু মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা বাংলাদেশনা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট অদু খুদোংচাদবা খরা লৈখিবদগী চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৪ দগী হৌখি। কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা সাফ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১১ শুবা ইদিসনদা ইন্দিয়ানা টাইটল লৌখি।

হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না সাউথ এসিয়াগী লৈবাক ৭ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টনি। গ্রুপ এদা যূম্বু বাংলাদেশ, পাকিস্টান, নেপাল অমসুং ভুটান লৈরি। অদুগা গ্রুপ বিদনা ইন্দিয়া, মালদিভস অমসুং শ্রী লঙ্কা য়াওরি।

গ্রুপ এগী ঙরাং শান্নখিবা মেচ অনীদা যূম্বু বাংলাদেশনা ভুটানবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি। অদুগা গ্রুপ অদুমক্কী অতোপ্পা মেচ অমদা পাকিস্টাননা নেপালবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থীবা পীখিবনি।

ঙসি ধাকাগী বগবন্ধু নেসনল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা সাফ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ বিগী অহানবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৪-৪-২ ফোর্মেটতা শান্নদুনা শ্রী লঙ্কাগী মায়োক্তা এটেক চথুবা ঙমখি। পুংখায় অমরোমগী মতম শান্নরবসু ইন্দিয়ানা বোল হেন্না পায়দুনা চথুখিবা এটেক অদুদা শ্রী লঙ্কাগী দিফেন্স লাইন অদুবু নমখায়দুনা পাঞ্জল চনবগী তাঞ্জা ফংলবসু স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা য়েৎ থংবা ফিল্ডদা শান্নরিবা ইন্দিয়াগী সুমিৎ পাসিনা পুরকখিবা বোল অমা মহাক্কী টিমমেট আশিক কুরুনিয়ানদা খায়রকখি। খুদোংচাবা অদু কুরুনিয়াননা অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা শ্রী লঙ্কাগী গোলকীপর সুজন পেরেরাবু মায়থীবা পীদুনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ৩৫ শুবা মিনিট অদুদা চনখি।

অহানবা হাফকী লেমহৌবা মতম অদুদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদে। অদুবু অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা মিনিট ২ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা পুশিনখিবা এটেক অমদা মিজোরাম মচা লালিয়ান জ্বালা সান্দেনা ফিল্ডগী ওই থংবা মায়কৈদগী বোল অমা ফংদুনা শ্রী লঙ্কাগী গোল পোষ্ট তম্না খায়রকখিবা বোল অদুনা খোইজিল্লগা গোলকীপর পেরেরাবু মায়থীবা পীরগা ওই থংবা গোল পোষ্টকী কাচিনদা চঙখিদুনা মেচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল ওইখি। শ্রী লঙ্কানা ফন্না কন্না হোৎনরবসু মখা তাবা মতমদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা ইন্দিয়ানা ২-০ দা থোইখি। থা অসিগী ৯ দা ইন্দিয়ানা মালদিভসকা শান্নগনি।

# নম্বর ৱান রাফেল নদাল নুপাগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে, সেরেনাসু সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী)ঃ

নুপাগী টেন্নিসকী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপতা যূম্বু লৈবাক য়ু এস এগী সেরোনা ৱিল্লিয়মসনা মহাক্কী মেচ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

নম্বর ৱান রাফেল নদালনা ঙরাং মাপনশুবা সীদেদ ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিএমগা অকনবা লম্বা অমা থেংনখি। ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট দোমিনিক থিএমনা য়াম্না লাকচনা নদালগী সর্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-০ দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা নদালগী মায়কৈদগী চেকশিন্না শান্নবা হৌরকপদগী ৬-৪ দা থোইরগা সেট ১-১ মান্নখি।

অহুমশুবা সেট লম্বা মান্নরম্বদগী লোইশিল্লকপদা নদালনা থিএমগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৭-৫ দা থোইদুনা লৈখ্রবা মতুং মরিশুবা সেট অদু থিএমনা টাই ব্রেকতা ৭-৬ (৭-৪) দা থোইরগা মঙাশুবা সেট শান্নখি। অরোইবা সেট অদুদা নদালনা টাই ব্রেকতা থিএমবু ৭-৬ (৭-৫) তা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। ফাইনেল য়ৌনবগীদমক নদালনা য়ু এসকী জোন ইস্নরবু সেট ৩-১ দা মায়থীবা পীরম্বা অর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পোত্রোগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপতা যূম্বু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ঙরাং নিপানশুবা সীদেদ ওইরিবী জেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভাবু ৬-৪, ৬-৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা লাটভিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা ১৯ শুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারক্লিবী অনাষ্টেসিয়া সেবাষ্টোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

লাটভিয়াগী শান্নরোয় অনাষ্টেসিয়া সেবাষ্টোভা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবী য়ু এস এগী স্লোনে ষ্টেফেন্সপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-৩ দা থোইরম্বনি।

# ইন্দিয়াগী দিভিয়ান্স অমসুং স্রীয়ানা জুনিয়র মিক্স টিমদা ব্রোঞ্জ ফংখ্রে

চাংৱোন, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী)ঃ

সাউথ কোরিয়াগী সিটি চাংৱোনদা পাঙথোক্লিবা ইন্টর্নেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আই এস এস এফ) ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী জুনিয়রগী মিক্স টিমদা শরুক য়াখিবা দিভিয়ান্স সিংহ পনৱর অমসুং স্রীয়া অগরৱালনা মিটর ১০ গী এয়র রাইফল মিক্স টিম ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

দিভিয়ান্স অমসুং স্রীয়ানা জুনিয়রগী মিক্স টিমগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল কম্পিটিসন অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মঙাশুবা অমদি অরোইবা টিম ওইনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকপনি। টিম ৪২ না শরুক য়াখিবা কম্পিটিসন অদুদা দিভিয়ান্স অমসুং স্রীয়ানা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পূন্না পোইন্ট ৮৩৪.৪ ফংখি। মখোয় অনীনা মিটর ১০ গী এয়র রাইফল মিক্স টিম ইভেন্ট অদুগী ফাইনেলদা পূন্না পোইন্ট ৪৩৫ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল অদু ফংখিবনি।

ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদুনা ইটালিগী প্যের সোফিয়া বিনেটি অমসুং মার্কো সুপিনিনা ফংখি। অদুগা সিলভর মেদল অদুনা ইরানগী প্যের সাদেঘ্যান আর্মিনিয়া অমসুং মোহম্মদ অমির নেকোনামনা লৌখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা প্যের ইলাভেনল বালারিভান অমসুং রিবে হজারিকা পোইন্ট ৮২৯.৫ ফংলগা কম্পিটিসন অদুগী ১৩ শুবা পোজিসন তাখি।

আই এস এস এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল্ড ৩, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ ফংদুনা সাউথ কোরিয়া, রসিয়া অমসুং চাইনাগী মথংদা অহুমশুবদা লৈরিবনি।




অনীশুবা ইনস্টোলমেন্ট পীয়ু

**এদভান্স টেক্সকী**

**সেপ্টেম্বর ১৫, ২০১৮**

ফাওবগী মনুংদা

**এদভান্স টেক্স পীগদবা টেক্সপেয়রশিংদি**

- তোলোপ চাবা শিন্নাশিং য়াওনা ফাইনান্সিয়ল য়রদা টেক্স হন্থখ্রবা অমসুং খোমজিনখ্রবশিংগী ওইনা পীগদবা শেনফম অসি লুপা ১০,০০০/- তগী হেনবা মীওইশিংনি।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা লল্লোন ইতিক/শিনফমদগী শেল লাক্তবা সিনিয়র সিটিজনশিং শেল পীবগী মথৌ তাদে

**শেল পীবগী মওং**

- ইনকম টেক্স এক্টকী সেক্সন ৪৪ এ বিগী মখাদা মশাগী একাউন্টশিং অদু ওদিট তৌবগী তঙাইফদবা লৈরিবা অমদি কোর্পোরেটশিংনা ঈ-পেমেন্ট তৌগদবনি।
- ঈ-পেমেন্ট অসিনা অচুম্বা ক্রেদিট পীবা মরম্না অতোপ্পা টেক্সপেয়রশিংদা খুদোংচাহল্লি।

**এদভান্স টেক্স পীবগী মতম**

| অরোইবা তারিখ | শেনফম |
| --- | --- |
| সেপ্টেম্বর ১৫, ২০১৮ নৎত্রগা মমাঙদা | এদভান্স টেক্স পীগদবা অদুগী ৪৫% |
| দিসেম্বর ১৫, ২০১৮ নৎত্রগা মমাঙদা | এদভান্স টেক্স পীগদবা অদুগী ৭৫% |
| মার্চ ১৫, ২০১৯ নৎত্রগা মমাঙদা | এদভান্স টেক্স পীগদবা অদুগী ১০০% |

চঙবীয়ু : www.incometaxindia.gov.in দা মখাগীদমক

ওথোরাইজ বেঙ্ক ব্রাঞ্চশিং থিনবা | চলান ফোর্মশিং | ঈ-পেমেন্ট | চলান ষ্টেটস হংনবা

অতেনবা/পীদবা নৎত্রগা এদভান্স টেক্স থৈদোকপনা মমৈদা শেন্দোই হাপকৎলক্কনি

@IncomeTaxindia

চঙবীয়ু : www.incometaxindia.gov.in
www.cleanmoney.gov.in

টেক্সপেয়র্স সর্ভিসেস মোদ্যুল অমসুং মোবাইল এপ্লিকেসন ওইরিবা "AAYKAR SETU" দাউনলোদ তৌ

आयकर विभाग
केन्द्रीय प्रत्यक्ष कर बोर्ड